# হোকিগী ৱাথোক এপ্রিল থা ফাওবগী মনুংদা লোয়শিলহনগদবনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২ঃ* মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না থোকহল্লিবা হোকিগী ৱাথোক এপ্রিল থা ফাওবগী মনুংদা ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোকি মণিপুর অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসন, ক্লব, ওর্গনাইজেসন, এসোসিয়েসন, য়ুনিয়ন, ভেটরান এসোসিয়েসন, অম্পয়ার এসোসিয়েসনগী অপুনবা মীফমনা ৱারেপ তকশিল্লগনি হায়রি।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা হোকি মণিপুরগী একজিক্যুটিভ বোর্দকী মীওইশিং য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসন, হোকি শান্নরিবা ক্লবশিং, ওর্গনাইজেসনশিং এসোসিয়েসনশিং, য়ুনিয়ন, মণিপুর ভেটরান হোকি এসোসিয়েসন মণিপুর অম্পয়ার এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিং য়াওনা অপুনবা মীফম অমা ফমখ্রে। হোকি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন মোমোন দেবী, সেনিয়ার ভাইস প্রসিদেন্ট এম মুনিন্দ্রা, এস লোকেশ্বর, মণিপুর ভেটরান হোকি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এম কুঞ্জবিহারি, ইম্ফাল ৱেষ্ট হোকি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ রঞ্জিৎ, চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোকি এসোসিয়েসনগী রাংহাং চোথে, মণিপুরগী অহানবা ওলেম্পিয়ান পি নিলকমলনা মীফম অদুগী প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। লোয়নননা এফিলিয়েটেদ দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসন, ক্লব, ওর্গনাইজেসন, এসোসিয়েসন অমসুং য়ুনিয়ন ১৯ না শরুক য়াদুনা পাংথোকখিবা মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা ৱালেপ ৪ লৌখি।

মীফম অদুনা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না থোকহল্লিবা হোকিগী ৱাথোক এপ্রিল থা ফাওবগী মনুংদাওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনদ্রবদি দিষ্ট্রিক্ট হোকি এসোসিয়েসন, হোকি শান্নরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন, এসোসিয়েসন, য়ুনিয়নশিং য়াওনা ফাউন্দর মেম্বর, লাইফ মেম্বর অমদি হোকি শান্নরোইশিংগা পুন্না এম ও এ গী মথক্তা অকনবা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিনবা হায়না ৱারেপ্লরে। মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন খুদিংমক চিফ মিনিষ্টর, স্পোর্টস মিনিষ্টর, কম্মিস্নার য়াদস অমদি দাইরেক্তর য়াদসতা খঙহন্দুনা এম ও এ না তৌরিবা অরানবশিংগী মথক্তা ৱাকৎনবসু মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনশিং অমদি ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংগী মত লৌনরবা মতুংদা হৌখিবা চহি ২০০৯ গী দিসেম্বর ১০ দা মীয়াম্না লৌখিবা ৱারেপ হোকি মণিপুরনা মশক খঙদবা হোকি টুর্নামেন্ট অমদি থবক থৌরম অমত্তা শরুক য়াদবা হায়না লৌখিবা ৱারেপ অদু অমুক হেন্না চেৎশিন্নবা মত অমত্তা ওইনা য়ান্নখি। ৱারেপ অসি থা ৫ ফাওবা অতোপ্পা ওর্দর অমা থোক্ত্রি ফাওবা চৎনগনি হায়নসু মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি।

হোকি মণিপুরদা এফিলিয়েট তৌদুনা লৈরিবা য়ুনিটশিংগী শান্নরোইশিংনা হোকি মণিপুরনা মশক খঙদবা টুর্নামেন্ট অমদি থবক থৌরম য়াওরুরবদি য়ুনিটশিংনা মশাগী শান্নরোইশিং অদু ৱারক ৱাতেমজগদবনি অমদি হোকি মণিপুরনা শিনবা থবক থৌরমশিংদা য়াওহল্লোইদবনি হায়নসু ঙরাংগী মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি।

চহি ৪০। ৫০ গী মথক্তগী লৈরক্লবা মণিপুর হোকি এসোসিয়েসন অমদি মণিপুর ৱুমেন্স হোকি এসোসিয়েসন অনিনা দেমোক্রেটিক ওইনা পুনশিনবা য়ুনিফাইদ বোডি অমা ওইরিবা হোকি মণিপুরদা নৌনা শেন্বা মণিপুর হোকিদা মখোয়না হোকি মণিপুরদা য়াওরনবা অমদি মখোয়গী অপাম্বা ফম খুদিংমক পায়রনবা অমুক্কসু হন্না অপিল তৌবা হায়না মীফম অদুনা য়ান্নখি।

হোকি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন মোমোননা দিষ্ট্রিক্ট হোকি এসোসিয়েসনশিং, হোকি শান্নরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন, এসোসিয়েসন, য়ুনিয়নশিংনা হোকি মণিপুরগা চংশিল্লকপা থবক থৌরম খুদিংমক পুন্না থেংনমিন্নসি হায়বা ৱাফম তরাম্না ওক্তুনা থাগৎপা লোয়নননা মীফম অদু লোয়শিনখি হায়রি।